৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ইম্ফাল রাইদিং ক্লব এনা তেন্থা পোলো ক্লব, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব এনা খুরাই পোলো ক্লবপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব এনা তেন্থা পোলো ক্লব অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব এনা খুরাই পোলো ক্লবপু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩৪না শরুক যাদুনা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) অমসুং তেন্থা পোলো ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব (এ) না পূন্না পাঞ্জল ১৮ চনখি। অদুগা তেন্থা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

মেচ অসিদা ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব (এ) না তেন্থা পোলো ক্লবপু য়াম্না চাউনা পাঞ্জল ১৮-০দা মায়থীবা পীখি। ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব (এ) গী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এল রোহিট জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৬, উমেশ গুরুং জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল ৪, এন এলেক্স জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ৪, এম তাকোই জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল ৩ অদুগা এস দোল্লর জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা খুরাই পোলো ক্লব অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চক্রদা খুরাই পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) না পাঞ্জল অহুম চনখি। অহানবা চক্র অসিদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) না পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা চক্রদা খুরাই পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা পাঞ্জল ৬-১দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা চক্রদা খুরাই পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমা অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) না পাঞ্জল ৪ চন্দুনা ১০-২দা লৈখি।

মেচ অসিগী অরোইবা চক্রদা খুরাই পোলো ক্লবনা মখা তানা গোল অনী অমগা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি। অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ১১ চন্দুনা খুরাই পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১১-৪দা মায়থীবা পীখি।

চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু লৈশেম্বা তখেল্লম্বম জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৫, এ বসন্ত জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল ৩, এল থোমসন জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ২, ঈ রোমেশ জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল ১ চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা খুরাই পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা এস জেমসন জর্সি নম্বর ৩না চনখিবনি।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল য়ু-১৪ বোইজ

# মণিপুরনা এন ভি এসপু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক টর্ফ গ্রাউন্দ, ম্যেন ষ্টেদিয়ম অমদি খুমন প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুরনা এন ভি এসপু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী ঙসি মণিপুর অমদি এন ভি এস শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ হেক হৌবগা মণিপুরনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চথরকখি। মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী নেনালদো জর্সি নম্বর ৭, ৱাই মোনিস জর্সি নম্বর ১৫ অমদি কাজিপনি অরুংশি জর্সি নম্বর ১৪না পাঞ্জল চনখি। অদুগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এন ভি এস টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা মণিপুর টিমনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকপনা এন অন্নোরোয় জর্সি নম্বর ১০, ৱাই মোনিস জর্সি নম্বর ১৫, টি ঐচ ওকেন জর্সি নম্বর ৯না পূন্না পাঞ্জল ৭ চনখি। এন ভি এস টিমনা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেচ অদু মণিপুরনা এন ভি এসপু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচশিংদনা হরিয়ানা বিহারবু পাঞ্জল ২-০দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা কাশ্মীরবু পাঞ্জল ১-০দা, আই পি এস সীনা হিমাচল প্রদেশপু পাঞ্জল ৬-০দা, চান্দিগড়না বিদ্যা ভারতিবু পাঞ্জল ২-০দা, ঝরখণ্ডনা দিল্লিবু পাঞ্জল ২-০দা, লক্ষদিপনা পুদুচেরিবু পাঞ্জল ৩-০দা, উত্তর প্রদেশনা টামিল নাদুবু পাঞ্জল ৩-০দা, ত্রিপুরানা অন্ধ্রপ্রদেশপু পাঞ্জল ৫-০দা, উত্তরখণ্ডনা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৪-১দা, গোৱানা সী বি এস ঈ/ দল্লিয়ু এস ওবু পাঞ্জল ৬-০দা, মধ্য প্রদেশনা আই বি এস য়ুবু পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখি। রাজস্থান অমসুং মহারাষ্ট্রনা পাঞ্জল ১-১দা অদুগা কর্ণাটকা অমসুং গুজরাটনা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (ৱিমেন)

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন টিমনা চেম্পিয়ন ওইরক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএন এস): ছটিশগরগী বিলাসপুর অটুল বিহারি ভাজপায়ী য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন টিমনা চেম্পিয়ন ওইরক্লে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল লীগ ষ্টেজ (ইন্টর পুল লীগ) তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পোলো এগী ৱিন্নর রাঞ্চি য়ুনিভর্সিটি, ঝরখণ্ডবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পুল (বি) গী ৱিন্নর জাদবপুর য়ুনিভর্সিটি ৱেষ্ট বেঙ্গলবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পুল সীগী ৱিন্নর কট্টন য়ুনিভর্সিটি, গুৱাহাটিবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ৱিন্নর, রাঞ্চি য়ুনিভর্সিটিনা রন্নর্স-অপ, কট্টন য়ুনিভর্সিটিনা থার্দ প্লেস অমসুং জাদভপুর য়ুনিভর্সিটিনা ফোর্থ প্লেস তাখি। লোয়নননা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ক্বালিফাই ওইখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি প্রিয়া কোঞ্জেংবম, এন পুর্নিমা, এস বেলোরি, ৱাই বিদ্যালক্সমিনি অদুগা মেনেজরদা এল রোবেল অমসুং কোচতা আই শান্তিকুমারনি।

# ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ এমেচর ম্যুএথাই এসোসিএসন (ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কর্ণাটকা এমেচর এসোসিএসন্না শিন্দুনা মেঙ্গালুরু বিচ সাইটতা থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনল এমেচর ম্যুএথাই চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা ওল মণিপুর ম্যুএথাই লভরস এন্দ প্লেয়র ওর্গনাইজেসনগী টিম থা অসিগী ১৪দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস

# য়ু-১০ বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা খাঙবা অমসুং সোহম লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএন এস): মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লবতা চথরিবা ৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা য়ু-১০ বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা সী ঐচ খাঙবা অমসুং কে সোহম লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী চহী ১২ মখাগী সেমী ফাইনেলদা অনানয়ানা মেক্সিলাবু পোইন্ট ৪-১, ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অভানা অঞ্জলিকাবু পোইন্ট ৪-০, ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। হয়েং অভা অমসুং অনানয়া ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী চহী ১৪ মখাগী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেলদা নন্দিনিনা পুজাবু পোইন্ট ৭-৬ (৮-৬), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। ৱাই থোইবীনা ৱাক ওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেলদা নন্দিনি অমসুং ৱাই থোইবী লম্বা তৌনরগনি।

৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সী আর সী খুন্দ্রাকপম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা গোপালদেব কাংশঙদা চথরিবা ৫শুবা শ্রীশ্রী গোপালদেব সুপর লীগ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সী আর সী খুন্দ্রাকপমনা নম্বোলবু পাঞ্জল ১৯-১৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা অমদি অনীশুবা হাফতা সী আর সী খুন্দ্রাকপমনা স্কোর ১৯ অদুগা নম্বোলনা স্কোর ১৫ খক তৌখিবনা মেচ অদু সী আর সী খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল ১৯-১৫দা মায় পাকখি।



HL-P/5005/18-31/1-20 nov.



HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.

# I LEAGUE 2019-20
## FIXTURES

Hero I-LEAGUE

| M No. | DAY | DATE | HOME | AWAY | VENUE | TIME |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Sun | 01-Dec-19 | CCFC | TRAU | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 2 | Tue | 03-Dec-19 | QEB | RKFC | YBK - Kolkata | 07:00 PM |
| 3 | Sat | 30-Nov-19 | AFC | MB | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 4 | Sun | 01-Dec-19 | CB | MPFC | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 5 | Sat | 30-Nov-19 | GKFC | NFC | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 6 | Thu | 26-Dec-19 | RKFC | CCFC | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 7 | Sun | 08-Dec-19 | MB | CB | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 07:00 PM |
| 8 | Fri | 06-Dec-19 | NFC | AFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 9 | Fri | 06-Dec-19 | ARW | GKFC | Tilak Maidan - Goa | 05:00 PM |
| 10 | Sat | 07-Dec-19 | MPFC | QEB | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 11 | Thu | 12-Dec-19 | RKFC | GKFC | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 12 | Wed | 11-Dec-19 | MB | TRAU | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 13 | Tue | 10-Dec-19 | NFC | QEB | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 14 | Mon | 09-Dec-19 | ARW | AFC | Tilak Maidan - Goa | 07:00 PM |
| 15 | Tue | 10-Dec-19 | MPFC | CCFC | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 16 | Sun | 15-Dec-19 | RKFC | CB | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 17 | Mon | 16-Dec-19 | MPFC | ARW | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 05:00 PM |
| 18 | Sun | 15-Dec-19 | MB | GKFC | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 02:00 PM |
| 19 | Sat | 14-Dec-19 | TRAU | QEB | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 20 | Tue | 17-Dec-19 | AFC | CCFC | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 21 | Sun | 22-Dec-19 | MB | QEB | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 22 | Tue | 24-Dec-19 | CB | ARW | Fatorda - Goa | 07:00 PM |
| 23 | Sun | 22-Dec-19 | TRAU | RKFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 24 | Fri | 20-Dec-19 | AFC | MPFC | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 25 | Sat | 21-Dec-19 | CCFC | NFC | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 26 | Sat | 04-Jan-20 | CB | QEB | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 27 | Sat | 04-Jan-20 | GKFC | AFC | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 28 | Sun | 05-Jan-20 | TRAU | MPFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 29 | Sun | 05-Jan-20 | ARW | NFC | Tilak Maidan - Goa | 05:00 PM |
| 30 | Mon | 06-Jan-20 | RKFC | MB | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 31 | Wed | 08-Jan-20 | AFC | CB | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 32 | Wed | 08-Jan-20 | TRAU | NFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 33 | Thu | 09-Jan-20 | GKFC | CCFC | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 34 | Thu | 09-Jan-20 | ARW | MB | Tilak Maidan - Goa | 05:00 PM |
| 35 | Fri | 10-Jan-20 | RKFC | MPFC | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 36 | Mon | 13-Jan-20 | MPFC | MB | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 37 | Wed | 15-Jan-20 | QEB | GKFC | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 38 | Sun | 12-Jan-20 | CCFC | CB | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 39 | Tue | 14-Jan-20 | NFC | RKFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 40 | Sun | 12-Jan-20 | ARW | TRAU | Tilak Maidan - Goa | 05:00 PM |
| 41 | Sat | 18-Jan-20 | MPFC | GKFC | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 42 | Fri | 17-Jan-20 | NFC | MB | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 43 | Sun | 19-Jan-20 | TRAU | CB | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 44 | Tue | 21-Jan-20 | QEB | AFC | YBK - Kolkata | 07:00 PM |
| 45 | Fri | 17-Jan-20 | CCFC | ARW | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 46 | Fri | 24-Jan-20 | MPFC | NFC | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 47 | Sat | 25-Jan-20 | CCFC | QEB | Nehru Stadium - Combaitore | 05:00 PM |
| 48 | Sun | 26-Jan-20 | GKFC | CB | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 49 | Sat | 25-Jan-20 | TRAU | AFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 50 | Sun | 26-Jan-20 | ARW | RKFC | Tilak Maidan - Goa | 05:00 PM |
| 51 | Fri | 31-Jan-20 | CCFC | MB | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 52 | Sat | 01-Feb-20 | QEB | ARW | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 53 | Sat | 01-Feb-20 | AFC | RKFC | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 54 | Sun | 02-Feb-20 | CB | NFC | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 55 | Sun | 02-Feb-20 | GKFC | TRAU | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 56 | Sat | 08-Feb-20 | NFC | TRAU | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 57 | Sat | 08-Feb-20 | GKFC | RKFC | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 58 | Sun | 09-Feb-20 | MB | MPFC | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 59 | Sun | 09-Feb-20 | CB | CCFC | Fatorda - Goa | 07:00 PM |
| 60 | Fri | 07-Feb-20 | AFC | ARW | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 61 | Tue | 11-Feb-20 | NFC | ARW | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 62 | Thu | 13-Feb-20 | QEB | MPFC | YBK - Kolkata | 07:00 PM |
| 63 | Tue | 11-Feb-20 | AFC T | RAU | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 64 | Wed | 19-Feb-20 | CB | RKFC | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 65 | Wed | 12-Feb-20 | CCFC | GKFC | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 66 | Mon | 17-Feb-20 | ARW | QEB | Kalinga Stadium - Bhubaneshwar | 07:00 PM |
| 67 | Sun | 16-Feb-20 | MPFC | RKFC | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 68 | Fri | 14-Feb-20 | MB | NFC | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 69 | Sun | 16-Feb-20 | CB | AFC | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 70 | Sat | 15-Feb-20 | TRAU | CCFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 71 | Sun | 23-Feb-20 | QEB | TRAU | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 72 | Fri | 21-Feb-20 | NFC | GKFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 73 | Sat | 22-Feb-20 | CB | MB | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 74 | Sun | 23-Feb-20 | CCFC | AFC | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 75 | Sat | 22-Feb-20 | RKFC | ARW | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 76 | Sun | 01-Mar-20 | TRAU | MB | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 77 | Sat | 29-Feb-20 | QEB | CB | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 78 | Sun | 01-Mar-20 | RKFC | AFC | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 79 | Fri | 28-Feb-20 | ARW | CCFC | Kalinga Stadium - Bhubaneshwar | 05:00 PM |
| 80 | Sat | 29-Feb-20 | GKFC | MPFC | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 81 | Wed | 04-Mar-20 | MB | CCFC | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 82 | Tue | 03-Mar-20 | ARW | MPFC | Kalinga Stadium - Bhubaneshwar | 05:00 PM |
| 83 | Wed | 04-Mar-20 | CB | TRAU | Fatorda - Goa | 07:00 PM |
| 84 | Wed | 04-Mar-20 | RKFC | NFC | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 85 | Tue | 03-Mar-20 | GKFC | QEB | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 86 | Sat | 07-Mar-20 | MB | AFC | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 87 | Mon | 09-Mar-20 | RKFC | QEB | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 88 | Sun | 08-Mar-20 | CB | GKFC | Fatorda - Goa | 05:00 PM |
| 89 | Sun | 08-Mar-20 | TRAU | ARW | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 02:00 PM |
| 90 | Tue | 10-Mar-20 | NFC | MPFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 91 | Sun | 15-Mar-20 | QEB | MB | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 92 | Sat | 14-Mar-20 | RKFC | TRAU | TRC Ground - Srinaagar | 02:00 PM |
| 93 | Sat | 14-Mar-20 | NFC | CCFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 94 | Sun | 15-Mar-20 | GKFC | ARW | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | 07:00 PM |
| 95 | Fri | 13-Mar-20 | MPFC | AFC | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 05:00 PM |
| 96 | Sat | 21-Mar-20 | MB | ARW | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 97 | Fri | 20-Mar-20 | TRAU | GKFC | Khuman Lampak Stadium - Imphal | 05:00 PM |
| 98 | Sat | 21-Mar-20 | AFC | NFC | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 99 | Sun | 22-Mar-20 | MPFC | CB | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | 02:00 PM |
| 100 | Sun | 22-Mar-20 | QEB | CCFC | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 101 | Sat | 04-Apr-20 | MB | RKFC | Kalyani Municipality Stadium - Kolkata | 05:00 PM |
| 102 | Sat | 04-Apr-20 | CCFC | MPFC | Nehru Stadium - Combaitore | 07:00 PM |
| 103 | Sun | 05-Apr-20 | AFC | GKFC | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl | 02:00 PM |
| 104 | Fri | 03-Apr-20 | ARW | CB | Kalinga Stadium - Bhubaneshwar | 07:00 PM |
| 105 | Su | 05-Apr-20 QEB | | NFC | YBK - Kolkata | 05:00 PM |
| 106 | | TBD | AFC | QEB | Rajiv Gandhi Stadium - Aizawl ARW | |
| 107 | | TBD | MPFC | TRAU | Tau Devi Lal Stadium - Chandigarh | |
| 108 | | TBD | GKFC | MB | EMC Corporation Stadium - Kozhikode | |
| 109 | | TBD | NFC | CB | Khuman Lampak Stadium - Imphal | |
| 110 | | TBD | CCFC | RKFC | Nehru Stadium - Combaitore | |

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com